# পি এল এগী কেপ্তেন ৩ লৈখিদববদা আর পি এফনা...

*লামায় ১গী মখা...* ৱার ওফিসনা লান্মী নম্বর এ-২৮৬৭ পীখি। মরুপ অসিনা লূপ অসিদা য়াওরকপা মতমদা 'ইরৈবাক ইরমদমগী নীংতম লান অসিদা লিংজেল মান্ননা কথোকপা অমগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌগে খনবদগী আর পি এফতা য়াওরকখিবনি' হায়না ফোঙদোক্লম্মী হায়রি।

কেপ্তেন সঞ্জিৎ মার্চ ১০, ২০০৭তা আর পি এফতা য়াওরক্তুনা পি এল এগী মিলিটরি ত্রেনিংদা মায় পাক্তুনা ওক্টোবর ২৭, ২০০৮দা ৱার ওফিসনা লান্মী নম্বর এ -৩০৮০ পীখি। মরুপ অসিনা লূপ অসিদা য়াওরকপা মতমদা 'ইরৈবাক ইরমদমগীদমক থৱায় পান্মুবা লৈতনা কথোকপগী থৌনানা পার্টিবু মাঙলোমদা পুখৎলমগনি হায়না থম্মোয় শেংনা আর পি এফতা য়াওরকখিবনি' হায়না ফোঙদোক্লম্মী। অদুগা কেপ্তেন সসিকান্ত এলিয়জ অয়াঙবা নবেম্বর ১৬, ২০০৭তা আর পি এফতা য়াওরক্তুনা পি এল এগী বেসিক মিলিটরি ত্রেনিংদা মায় পাক্তুনা ওক্টোবর ২৭, ২০০৮দা ৱার ওফিসনা লান্মী নম্বর এ-৩০৮৬ পীখি। মরুপ অসিনা লূপ অসিদা য়াওরকপা মতমদা 'ইমা লৈবাক নুংশিবা অমদি ঐখোয়গী ফুরুপ অসিবু কনবা পান্বদগী আর পি এফতা য়াওরকখিবনি' হায়না ফোঙদোক্লম্মী হায়রি।

মরুপ অহুম অসিনা য়েক্নবগী মখূৎতা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা মতম অসিদা লেফটিনেন্টকী রেঙ্কতা লৈখি। মরুপশিংনা পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা ইমা লৈবাক্কীদমক অৱা অনা থিদনা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা লান্থেংনখিবা অসিদা পার্টিনা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা কেপ্তেনগী রেঙ্ক পীরে হায়রি।

মরুপ অহুম অসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, পুকচেল শেংবা, হোৎনবা কনবা, থকসি-খাসি ফজবা নীংতম লান্মী অমা ওইবগা লোয়ননা ইমা লৈবাক, মীয়াম অমসুং পার্টিবু থম্মোয় শেংনা নীংজবা অমদি মনীং মখা তম্না হিংবা পামজবা থৌনা ফবা মরুপশিংনি হায়রি।

মরুপ অহুম্না ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম (কোন্দোলেন্স) য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট অমসুং ষ্টেসন খুদিংমক্তা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবা অথৌবা মরুপ অহুম অসিগী ইমুং মনুং শাগে-নাতে, মরুপ মপিজ াশিংগী অৱাবদসু আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এনা শরুক য়াজরি হায়রি।

## এম এল এ পাওলিয়নলাল ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবগী মনুংদা লুপা ৫,০০,০০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবীগী এস বি আই বেঙ্ককী একাউন্টদা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ২৫ ফাওবদা লুপা ১২,৮২০ লৈখি। মহাক্কী মীংদা এল আই সী পোলিসিদা মেচ্যুরিটি এমাউন্টদা লুপা ১,১০,০০০ অমদি অনীশুবা এল আই সী পোলিসি মেচ্যুরিটি এমাউন্ট লুপা ১,২০,০০০ ইনভেষ্ট তৌখি হায়রি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী ওইনসু এল আই সী পোলিসিদা মেচ্যুরিটি এমাউন্ট ওইনা লুপা ১,২০,০০০ ইনভেষ্ট তৌখিবগী রিপোর্ট য়াওরি। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১১দা চাওরাক্লা লুপা ১৯,৪০,০০০ লোম ওইগদবা ফোর্দ ইন্দেভর (ফোর্দ) অমা লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা কুমজা ২০১৩দা চাওরাক্লা লুপা ৯২,০০০ লোম ওইগদবা এদভেঞ্চর মোটোরবাইক অমা লৈখি। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গন ১২ বোর এস বি বি এল গন অমা লৈ হায়রি। এম এল এ পাওলিয়নলাল হাউকিপকী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ৩০,৩৩,১৭৪ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবী লমখোলহিং হাওকিপকী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ২,৭৪,৮২০ ওইখি হায়রি।

এম এল এ পাওলিয়নলাল হাওকিপ অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দ অমত্তা লৈতে। নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা মহাক্কী ওইনা বিজাং লৌরুপতা একর ০.২৪ অমদি জোইন্ট ওনরশিপতা লানভা তম্পাক্তা একর ৪.২০ লৈ হায়রি। মহাক্কী মীংদা কর্ম্মসিএল বিল্ডিং অমদি রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং লৈতে। মহাক্কী কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী রিপোর্টকী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি লুপা ২৫,২৬,০০২ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে হায়রি।

## পোলিটিক্সনা থুগায়নবা শিল্পি, কলচরনা

*লামায় ১গী মখা...* লমদম অসিগী মীয়ামদা তমখিবা ঈশৈগী খুদোলশিং ঙসি ফাওবা কাওবা ঙমদ্রি। অমুক হন্না হাঙদোক্লিবা স্কুল অসিনা অফবা শৈশক্লোই কয়া পুথোক্লক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। লমদম অসি মশাগী তোপ তোপ্পা কলচর লৈজে। মসিবু য়োকখৎতুনা থন্বা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়খি।

রুপ রাগকী প্রসিদেন্ট অরিবম শ্যামনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মতমগী চৎনবী মতুংইন্না গ্রুপ সোং শকপগী মচৎ অসি তপ্না তপ্না মুৎশল্লক্লি। সোলো শকপনা মীনা মশক খঙবা হেনবা অমদি শেল লাক্নবগী লম্বী ওইবনা শৈশকপা অয়াম্বা মরন্নাই ওইনা ঈশৈ শক্লখিবনি। মসিদা ঐখোয়না ৱারৌবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক রুপ রাগদগী হৌখিবা মীওইশিংনা ওর্গনাইজেসন অসিবু মীরাইবগুম তৌরিবা অসি লাইবক থিবনি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৬০ দগী রুপ রাগ শাফোঙলকখিবনি। অদুগা কুমজা ১৯৬৩ দা রেজিষ্টর বোদি ওইরকখিবনি। রুপ রাগনা ঙসি ফাওবদা ঈশৈগী লমদা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা চহী ৬২ শুরবা ওর্গনাইজেসন অসিনা ঙসিদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ষ্টেট সোং অমদি খুদোল তম্বা ঙল্লে। মসিমক য়াম্না চাওথোচনিংঙাইনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রুপ রাগকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট চোংথাম কমালা অমদি ফিল্ম এক্টর লমজা তোম্বসু শরুক য়াখি।

## আর কে সী এস নীংশিং লাই য়েকপা চাংদম্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* কাঙলূপ ২ থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোক্কদবা চাংদম্নবা অসিগী ফোর্ম আর কে সী এস আর্ট গেল্লরিদগী ফংগনি অমসুং মেনশিল্লবা ফোর্মশিং মথং থাগী ৭ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা য়াওনা প্রাইজশিং মথং থাগী ১৩দা পাঙথোক্কদবা আর কে সী এসকী মপোক কুমওন থৌরমদা য়েন্থোক্কনি হায়রি। অকৃপ্পা মরোলশিং আর কে সী এস আর্ট গেল্লরিদগী ফংগনি হায়না আর কে সী এস ম্যুজিয়ম ওফ আর্টস এন্দ ক্রাফ্টস, কৈশামথোংগী সেক্রেটরি আর কে বুধিমন্ত কর্ত্তাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সেপ্টেম্বর ২১ দা এন আর এফ এমনা বন্দগী অথিংবা থল্লক্লি...

*লামায় ১গী মখা...*ওইনা মনীং তম্না নীংতম্বগী শ্বর হোন্দুনা লৈঙাক্তুনা পাল্লম্মী। কুমজা ১৮৯১গী এঙলো-মণিপুর লানদা বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীদুনা মখোয়গী মখা পোনবা তাখি। ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা মশাগী নীংতম্বা বৃটিশকী মখূৎতগী অমুক হন্না ফংখি হায়রি।

ঐখোয়গী নীংতম্বা অসিবু শীংনরদুনা অমদি কল্লক্লদুনা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌ তৌদুনা শিলোংদা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু নমদুনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌহনখি। নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী নীংতম্বা মৎতুনা লাক্লি হায়রি।

মর্জর এগ্রিমেন্ট অদুগী ত্রিটি অদুগী ৱারোল করি করিনো, মণিপুর মীয়াম শেংনা খঙলব্রা অমদি য়ারব্রা, এগ্রিমেন্ট অদুগী করম্বা মফমদা লালহৌবা থোরক্লবদি হাৎকনি, ফাগনি হায়বগী য়ান-ৱারোল য়াওব্রা, এগ্রিমেন্ট অদু কনাগী অপান্বদা শেম্বনো, হায়বদি ইন্দিয়াগী মীহুৎ নৎত্রগা মণিপুরগী মীহুৎ পুন্না য়ান্নদুনা শেমখিব্রা, শিলোংদা মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌদ্রিঙৈ মণিপুর করম্না লৈ হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পাউখুম পীগদবনি হায়রি।

এগ্রিমেন্ট (ত্রিটি) হায়বসি পাম্নদ্রগদি হন্দোক্লবা য়াই, চৎনহন্দবা য়াই। করিগুম্বা ইন্নখিবা, য়ান্নখিবা এগ্রিমেন্ট অমনা চহীগী পনখে লৈতনা চৎনগদবনি হায়বা অকক্লবা লৈতে। চৎনবসু য়াওখিদে, তুংদসু য়াওরক্লোই হায়রি।

মণিপুরগী মীশক অমগী খূৎয়েক লৌরগা নমদুনা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা পুনশিল্লে হায়বসি ঐখোয়গী মীয়াম্বু ইন্দিয়ানা অকল অরিং শিংদুনা লোই চনশিনবনি। অশোনববু নম্ফুদা লৌশিনবনি। ইন্দিয়ানা থম্মোয় শেংনা চথখিবা খোঙথাং অমা নত্তে। অদুমক্লা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা লৈঙাক্কী থৌদাং, পাঙ্গল পূম্বা মণিপুর মীয়ামদা লৈখ্রে হায়রবসু মদুগী অচুম অরান ইন্দিয়ানা থৌশাখিদে অমসুং থিখিদে। মরম অসি চুমদবনা ঙসি লমদম অসিগীদমক খূৎলায় পায়বা লালহৌবা মশানা তাবনি হায়রি।

ইফোং ফোংনা ঙসি ঐখোয় ইন্দিয়াগা মায়োক্লরি। মরমদি ঐখোয়গী খোঙথাং অসি অরানবা নত্তে। ঐখোয়না ঐখোয়গী অপূনবা অমদি নীংতম্ববু ইকায়খুম্নে। মরম অসিনা অচুম্বা অসিগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্স য়াওনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ৱাথোক ৱাখৈগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী অরানবা খোঙথাং অদু হন্দোক্কদবনি। মণিপুরনা নীংতম্বা লৈবাক ওইদুনা, লৈঙাক শেমদুনা মশাগী কন্সটিট্যুসন ১৯৪৭তা চৎনদুনা মীখল পাঙথোল্লগা এসিয়াগী অহানবা মীখল পাঙথোক্তুনা লৈঙাকপা লৈবাক ওইখ্রবনি। অসিগুম্বা লৈবাক মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নম্ফু তৌখিবা হায়বসি এন আর এফ এমনা ঐখোয়গী মীয়ামদা নীংশিংমিন্নসি, খঙমিন্নসি হায়না নুমিৎ অসিদা অথিংবা থল্লিবনি। লোয়ননা ঐখোয়গী নীংতম্বা অদুগীদমক এন আর এফ এমনা খোঙফম হল্লোই। য়েংসি অমসুং খনসি ঙসি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মথক্তা খূৎলায় থাদুনা লান তৌরিবা অসি তশেং তশেংনা চহী লিশীং কয়া নীংতম্না পাল্লকপগী পুৱারী অদু মীনম্বা নত্তবনি, ঐখোয়গী নীংতম্ববু কনানা মুনবা য়ারোই। পূম্নমক্লা খঙলি হায়বনি। পুৱারীবু নাথৈবা য়াগদ্রা। মতম অমদা পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক ওইনা কুমজা ১৭৬২দা বৃটিশকা মণিপুরগা অহানবা ত্রিটি ইন্নদুনা মরুপ ওইনা ঐখোয়গী নীংতম্বগী খোঙফম উৎখি। এসিয়াগী নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা মণিপুরবু বৃটিশনা ইকায়খুম্নখি। য়ান চে অদুগী ৱাংমদা লোইপোৎ কাবা লৈখিদে হায়বদি মণিপুর নীংতম্বা লৈবাক ওইখি হায়বনি। মরুপ মপাং ওইবগী মতেং পাংনবদি য়ান চে অদুদা য়াওখি। এলাইএন্স অদুগা এম্বেসেদর থম্নদুনা হায়বদি মণিপুরগী এজেন্ট কোলকটা অমদি লখিপুরদা অমসুং বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্টনা মণিপুরদা থমদুনা লৈনখি। তাঙ্কক নাইনা কুমজা ১৮৩৬কী য়ান্দাবু ত্রিটিনা বর্ম্মা অমসুং বৃটিশ অনীনা মণিপুরগী নীংতম্বা ইকায়খুম্নখি। কুমজা ১৮৬৫/১৮৬৭তা বৃটিশ লৈঙাক্কী কোলকটা হায় কোর্টনা মণিপুর অসি এসিয়াটিক সোভরেন্টিনি হায়খি। মরুপ মপাং ওইবগী অকনবনা অশোনবদা মতেং পাংবা হায়বসি অদুমক হৌনশানি। খুদম ওইনা কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা আৱা (বর্ম্মা) গী খূৎতা মণিপুর চহী ৭ খুন্তাকখিবদা বৃটিশকী মতেং লৌদুনা বর্ম্মা তান্থোকখি। অদুবু মরী অদুনা কৈদৌঙৈদসু মণিপুরনা বৃটিশতা কোক নোনখিদে। মদুমক্লা কুমজা ১৮৯১দা এঙলো-মণিপুর ৱার থেংনখিবনি। লান অদু মনীং তম্বা লৈবাক অনীনা শোক্লবা লাননি। অসুক চঙখোন্না মতিং থোক্লা এসিয়াগী নীংতম্বা লৈবাক ওইরম্বা চীংবুরোই তম্বুরোই ঐখোয়না ঙসিদি ইশাগী নীংতম্বা খোঙ্গাইনদুনা অপীকপা ৱাখলনা মাঙওইনদুনা ঙসি মীনাই নাইথাংগী পুন্সিদা অসুক খোইদানরিবা করিগীনো হায়রি।

মসিদা চেন্নরি, চোঙথোক্তুনা তাক্লি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরুমদা লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা লুপশিনখিবদগী ঐখোয়গী ঙসিগী থাক অসি নান্থোকপগী মহুৎ নোংম নোংমগী লুপথরক্লিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসিদি লুচিংবশিং অসি ইরমদম অসিগী পুৱারী ফাওবা মশাগী ওইজবনা নমহৎখিদুনা মচিনবালনা মীনমক্লে। অদু ওইবা তারবদি থোক্লিবা লমদম অসিগী ৱাথোক পূম্বা মণিপুর মীয়ামগী মথক্তা অমুক তারক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীখল লল্লোনবা, মীখল নমদুনা মণিপুরদসু পাঙথোক্লি। মীয়ামদা লৌনম হায়বদা মখোয়গী মরমচৎনিদমক মীয়াম খন্থবা মতম হেনখ্রবনি। ইকায়বগী মহুৎ কুম্মৈরোয়গুম ওইরবা লৈঙাকপশিংগী কুম্মৈ খোইদানরি হায়রি।

ইন্দিয়ানা পাঙথোক্লিবা মীখলদি এন আর এফ এমনা য়াদে। মরমদি ঙসি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী লৈনরিবা মরী অসি লান অমগী লানফমদনি। ঐখোয়গী নীংতম্বগী হক অসি ঐখোয়গীনি। ইন্দিয়াদি লাইথোকখো মালেমগী সুপর পৱার পূম্নমক্কসু ঐখোয়গী নীংতম্বগী হক অসি থিংবা ঙল্লোই হায়রি।

কুমজা ১৮৯১গী এঙলো মণিপুর ৱারদা মণিপুরনা মায়থীরগসু তাঞ্জা অমগী মখাদা মণিপুরবু বৃটিশ ইন্দিয়াদা নৎত্রগা বৃটেনদা তিনশিনবা তৌখিদে। বৃটিশ ইন্দিয়া নৎত্রগা বৃটেন লৈঙাক্লা মসিগী লাউথোকখিবা নৎত্রগা অতোপ্পা য়াথং চে অমত্তা থোকখিদে। ঙসি এন আর এফ এমনা ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী চীংবুরোই তম্বুরোই ঐখোয় অসি এসিয়াগী মনিং তম্বা লৈবাক অমগী মীওইনি হায়দুনা চাওথোকচৌ, পোঙথোকচৌ, সুপর পৱারশিংগী মীশিংনা চাওথোকচবগুম হায়রি।

লোয়ননা কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়ানা নম্ফু তৌখিবা মণিপুর মীয়াম খঙদে হায়বসি ঐখোয়গী খোল্লাউ মালেম শিন্না য়ৌহনগবদনি। হৌজিক ঐখোয়গী ইথক্তা ৱাহং অমা মথন্তা থোরক্লিবা অসি অকিবগী মশকনি। য়েলহৌমী হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নবা হৌরক্লিবসি করিগীনো হায়রি।

য়েলহৌমী মূৎলে হায়বসি মসিগী খোল্লাউ কয়াম কুইনা ঐখোয় লাউবা ঙমখিগনি। ঐখোয়দসু ৱাহৈ অসি নম্ফুনা হিংলিব্রা হায়বা ফাওবা খঙশিন্নদ্রে হায়রি। মরম অসিনা ঐখোয় খম থেংনা মরাই চাইথরকপগী তাঙ্কক অদু য়ৌরে হায়না এন আর এফ এমনা লৌই হায়রি।

অসিগুম্লবা লোইলমগী য়াচল অসিনা মণিপুর ফুরুপ্পুসু কোনশিল্লিবা মসিগী চলাক অসিনা কাঙলূপ অমত্তবু চীংখৎতুনা থন্বীররোই হায়বদি লোই লৈঙাক্তগী মণিপুরগী কাঙলূপ অমত্তবু নীংতম্বা পীরক্লোই হায়বনি। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা য়ৌনবা অহানবা নুমিৎ ওইখিবা সেপ্টেম্বর ২১ অসি থম্মোয় শোকপা নুমিৎনি হায়রদুনা নুমিৎ অসিগী ঐখোয়না করিগী শীংনরোইদৌরিবনো হংলক্লি। মীওইবনা মপা-মমা, মচিন-মনাও, কাঙলূপ-ফুরুপ, হৌরকফম, মরমদম, পুৱারী খঙজে লোয়ননা নীংতম্বা মীখা পোনবা খঙজে অদুবু পূম্নমক অসি নাথৈদুনা থম্বা হায়বসি কাঙলূপ ফুরুপ অদুগী অশোয়বা, অশোনবা ওইরিবনি। চরাংনবা ফুরুপ কাঙলূপ ওইরক্লবা ঙসিগী লম্বী অসি ঙসিগী মীরোলগী নমদা পোরিবনি কাউগুমসি হায়রি।



ৱার্ল্ড বেম্বু দে নুমিৎকা মরী লৈননা বাইওদাইভর্সিটি, ইকোলোজি এন্দ এনভাইরনমেন্ট নেটৱার্ক মণিপুরনা শিন্দুনা সঙাইথেলদা ৱা পাম্বী অমদি উ চারাশিং থাখিবা

## CROSSWORD-3648

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | 2 | 9 | | |
| | | 1 | | 5 | | | | 3 |
| | | | | 9 | 3 | 4 | | |
| 6 | | 3 | | | | | | |
| 8 | | 2 | 7 | | 9 | 6 | | 5 |
| | | | | | | 8 | | 1 |
| | | 8 | 4 | 6 | | | | |
| 5 | | | | 7 | | 1 | | |
| | | 6 | 2 | | | 5 | | |

### ACROSS

1 European mountains (4)
3 Competitions (8)
9 Feast (7)
10 Cost (5)
11 Hold forth (5)
12 Gangways (6)
14 Beginning (6)
16 Combination of breakfast and lunch (6)
19 Prior to (6)
21 Evergreen tree (5)
24 Respond (5)
25 Alleviate (7)
26 Pacts (8)
27 Scottish valley (4)

### DOWN

1 Fire-resistant mineral (8)
2 Seasonal entertainment (5)
4 Expenditure (6)
5 Sorts, varieties (5)
6 Regard with favor (5,2)
7 Egyptian canal (4)
8 Sheen (6)
13 Baker's dozen (8)
15 Aged between 12 and 20 (7)
17 Remember (6)
18 Funeral car (6)
20 Music for eight performers(5)
22 Reside (5)
23 Determination (4)

**Solution 3647**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | M | A | S | C | A | R | P | O | N | E | | |
| | A | | C | | P | | A | | O | | N | |
| C | O | L | O | S | S | U | S | | T | H | O | R |
| | R | | R | | E | | T | | E | | R | |
| | I | M | P | S | | W | I | N | D | O | W | S |
| | | | I | | F | | C | | | | A | |
| | T | H | O | M | A | S | H | A | R | D | Y | |
| | I | | | | M | | E | | U | | | |
| I | D | I | O | T | I | C | | A | L | S | O | |
| | D | | M | | S | | G | | E | | C | |
| S | L | O | E | | H | A | L | L | O | W | E | D |
| | Y | | G | | E | | E | | U | | A | |
| | | P | A | D | D | I | N | G | T | O | N | |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4048

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | 2 | 9 | | |
| | | 1 | | 5 | | | | 3 |
| | | | | 9 | 3 | 4 | | |
| 6 | | 3 | | | | | | |
| 8 | | 2 | 7 | | 9 | 6 | | 5 |
| | | | | | | 8 | | 1 |
| | | 8 | 4 | 6 | | | | |
| 5 | | | | 7 | | 1 | | |
| | | 6 | 2 | | | 5 | | |

### Solution-4047

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 4 | 2 | 6 | 3 | 1 | 9 | 7 |
| 1 | 7 | 6 | 8 | 9 | 5 | 2 | 4 | 3 |
| 2 | 3 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 | 6 | 5 |
| 9 | 1 | 3 | 7 | 2 | 6 | 5 | 8 | 4 |
| 7 | 4 | 2 | 9 | 5 | 8 | 3 | 1 | 6 |
| 6 | 8 | 5 | 3 | 4 | 1 | 7 | 2 | 9 |
| 4 | 2 | 1 | 5 | 3 | 9 | 6 | 7 | 8 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 7 | 2 | 4 | 3 | 1 |
| 3 | 6 | 7 | 1 | 8 | 4 | 9 | 5 | 2 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

### OIL INDIA RECRUITMENT 2022 FOR CONSULTANT

Oil India Consultant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Consultant in Oil India. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 10 October 2022. Candidates can check the latest Oil India Recruitment 2022 Consultant Vacancy 2022 details and apply online at the www.oil-india.com/ recruitment 2022 page.
Oil India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.oil-india.com/. Oil India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.oil-india.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Oil India (OIL)
invites applications for recruitment of Consultant
Consultant
Job Location:
Limited Duliajan , Dibrugarh, 786602 Assam
Last Date: 10 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Oil India (OIL)
Oil India (OIL) Recruitment 2022 Details
Company Oil India
Job Role Consultant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Dibrugarh
Experience 15 - 18 years
Salary 55000(Per Month)
Posted on 12 Sep, 2022
Last Date To Apply 10-10-2022
Educational Qualification: Retired Staff
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
55000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Consultant in Oil India.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website oil-india.com
Step 2: Click on Oil India Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 13 September 2022
Last date for application is: 10 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### APSC RECRUITMENT 2022 FOR 18 INSPECTOR

Assam Public Service Commission Inspector Recruitment 2022: Advertisement for the post of Inspector in Assam Public Service Commission. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 October 2022. Candidates can check the latest Assam Public Service Commission Recruitment 2022 Inspector Vacancy 2022 details and apply online at the apsc.nic.in/ recruitment 2022 page.
Assam Public Service Commission Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ apsc.nic.in/. Assam Public Service Commission selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of apsc.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Public Service Commission (APSC)
invites applications for recruitment of Inspector
Inspector
Job Location:
Jawahar Nagar, Guwahati, 781022 Assam
Last Date: 11 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 18 Posts
Assam Public Service Commission (APSC)
Assam Public Service Commission (APSC) Recruitment 2022 Details
Company Assam Public Service Commission
Job Role Inspector
Education Requirement
Total Vacancy 18 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 22000 - 97000(Per Month)
Posted on 10 Sep, 2022
Last Date To Apply 11-10-2022
Educational Qualification: Minimum Educational Qualification is Bachelor Degree in Science with Physics as one of the subjects or Bachelor Degree in Engineering.
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
22000 - 97000(Per Month)
Age Limit: The candidates should not be less than 21 years of age and not more than 38 years of age as on 01/01/2022. The upper age limit is relaxable :.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Inspector in APSC.
How to Apply:
The application procedure for APSC Recruitment 2022 is given below,
Step 1: Visit the official website of APSC
Step 2: Check the latest notification regarding the APSC Recruitment 2022 on the website
Step 3: Read the instructions in the notification entirety before proceeding
Step 4: Apply or fill the application form before the last date
Important Dates:
Published on: 12 September 2022
Last date for application is: 11 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

